ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯦ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯵꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মে ১৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৫২শুবা মশীং

# খন্নরিঙৈদা তেঙ্গোল তুমহনগুমসি

## থৱায়দগী মমল য়াম্বা অমমুক লৈরিব্রা?

থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণনা হৌদোরল্লিবা ৱাফমসি ফজে। ফজবা খক্তা নত্তনা পুংফমসিদা তৌগদবা, তৌদবসু য়াদ্রবা থবকনি। হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিংনা মাগী মাগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ (এম এল এ, এল এ দি এফ) তগী লুপা লাখ ২০/২০ পুথোক্লরগা ওক্সিজেন লৈসি হায়বনি। ৱাফমসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ূম্নাম খেমচান্দগী মায়কৈদগীসু হৌদোরকই। য়াম্না ফজবা ৱাফমনি। মরমদি কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশীং অয়াম্বা চাংদা নুংতিগী হেঙ্গৎলকপনা এক্টিভ কেসকী মশীংসু হেঙ্গৎলকপা মশানা তাবনি। অদুগা এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদগী চাদা ৬০গী চাংদি ভেন্টিলেটর (ওক্সিজেন) গী সপোর্ট পীবগী মথৌ তাই হায়বনি। ওক্সিজেন ৱাৎহন্দবগী মথক্তা মরাং কায়না থম্বগী তঙাইফদবসু লৈরিবনি। অদুবু হৌজিক্লা ওক্সিজেনসি বি টাইপকীবু ওইরো নৎত্রগা দি টাইপকীবু ওইরো সিলিন্দরশিং মরাং কায়বদি লায়রদনা কোন্ননবা চাংদা ফাওবা থম্বা ঙমদ্রিবনি। মসিদগীনি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মে ১৪, ২০২১দা ভিদিওগী খূত্থাংদা মীয়ামদা পীখিবা মহাক্কী পাউজেলদা কনাগুম্বা লন্নাই মীওইশিংগী য়ূমদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং লৈবা য়াওরগদি মদুবু গভর্ণমেন্টতা দোনেট তৌবিয়ু, মায়োক্নরিবা পেন্দমিক অসিগী মতুংদা লৈঙাক্না অমুক হন্দোক্কনি হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোংদোকখ্রিবা। নাকল অমদনা ইম্ফালময়োলদা লৈরিবা অচৌবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নোর্থ এ ও সীগী রাজ মেদিসিটি ফাওবনসু ওক্সিজেনগী অৱাৎপা মায়োক্নরকপদগীনি হায়দুনা লায়েংশঙ অসিদা নন-কোভিদকী ফাউবা য়াওনা কোভিদ পেসেন্টশিং অমত্তা লৌররোই হায়বগী ফিরেপ ফাউবা লৌরুরে। হায়রিবশিং অসিনা তাক্লিবদি প্রাইভেট সেক্টরদা মফম ২/৩দগী ওক্সিজেন পুথোক্লবসু, জেনিমসতা মসিবু জেনরেট তৌবা হৌখ্রবসু অদুগা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল খরদসু মসিগী জেনরেটিং প্লান্টশিং মথৌ পাঙথোকপা হৌনবগী অকনবা থবকশিং পায়খৎলল্লিবা ওইরগসু হৌজিকমক্কীদি ষ্টেটসিদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা মায়োক্নরি হায়বসিমদি চুম্লে। মসি ওইরগদি মপানগী ষ্টেটশিংদগী মথৌ তাবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অমসুং কন্সেনত্রেটরশিং ঙল্লিবমখৈ লৈশিন্দুনা মরাং কায়না থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বনি। মরম অসিনা মসিবু লৈননবগীদমক এম এল এশিংগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দশিংদগী শেল পুথোক্লসি হায়নরকপনি। অফবা অমসুং মতাং মতম চানা তৌহৌদবা য়াদবা থবক অমা তৌরসি হায়দুনা হৌদোরকপা হায়বসি য়াম্না ফবা থবকনি। থবক খুদিংমক মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা লুচিংবা/লমজিংবা অমা য়াওদ্রবদি য়ারোই। হৌদোকপা অমা য়াওরগা অতৈসু মতুং ইন্নরক্কদবনি, খূৎশম্নদুনা থবক্তু মায় পাকহল্লক্কদবনি। অফবা হৌদোরকপা হায়বসিদি জাৎ-কুচুগী, পোলিটিকেল পার্টি, মান্নদবা, খেন্নবগী ৱা লৈতে। হৌদোরল্লিবা মীওইদু কনানো, করিনো হায়বরোমদসু চৎতে। হৌদোরল্লিবা অদু মমল য়াম্মী লৌরগা অমগী অমগী ৱা নত্তনা থাগৎফমসু থোকই। ফরবদি ফৈ, ফৎত্রগনা ফত্তে হায়বা ঙমগদবনি। অদুগা অফবা হৌদোরকপা, তৌরকপা মীওইশিংবুসু থাগৎপীবা, পূক্লিং থৌগৎপীবগী হৈনবীসু লৈগদবনি। মসি অৱাংবা থাক্তা হিংবা মীওই কাঙলূপ অমগী ফজবা মচৎ ওইগদৌরিবনি।

মরম অসিনা হৌজিক তঙাইফদবা অমা ওইরল্লিবা ওক্সিজেন মরাং কায়হনবগী থবকসিদা এম এল এশিংগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম ইনভোল্ভ তৌহনবা য়াগদ্রা হায়বসি য়েংবা চঙই। য়াদ্রগা তোল্লসি হায়বা নত্তে। ফন্দ অসিগী শেনফমদগী তৌবা য়াবা নৎত্রগা য়াদবশিং লৈরমগনি। অদুবু ষ্টেটসিনা হৌজিক মায়োক্নরিবা ফীভমসিদদি করিগুম্বা ফন্দ অসিগী কাঙলোননা অয়াবা পীরমদ্রবসু কাঙলোনদু মমায় চুমথোক্লগা (এমেন্দমেন্ট তৌরগা) য়াহন্দুনা থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনহন্নীংই হায়বনি। শেমদোক-শাদোকপা অদু ষ্টেটকী ঙম্বগী পনখৈ মনুংদা লৈরমদ্রবসু মরী লৈনরিবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী হকথেংনরিবা মিনিষ্ট্রিগী ওথোরিটিদগী অয়াবা লৌরগা শেমদোকউ। য়াহল্লু, য়ারিবমখৈ থুনা থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনবা চুমগনি হায়বনি। অদুগা অফবা থবকসিদি এম এল এ খক্তা নত্তনা মণিপুরগী লৈজরিবা লোক সভাগী মেম্বর অনী অমসুং রাজ্য সভাগী মেম্বর অনীগী মায়কৈদগীসু য়াওশিনবীরকপা য়াই। মরমদি লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মায়কৈদগীসু কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেংসিনা পীরল্লিবা চৈনাশিং মায়োক্নদুনা মণিপুরগী মীয়ামগী থৱায় কলহৌনবা অরৈবা পান্থৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরি। কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং ফাওবা পান্থৈ ওইনা শীজিন্নরি। মচি-মচিদসু লন্নাই লূপশিংনা মীয়ামগা খূৎশম্নরগা লোকদাউনগী অথিংবা থমজিন্নরি। মীয়ামগীদি লায়রদনা মশা মথন্তগী ফাওবা শাফনবা খঞ্জবা ঙমজদবা, মহাক মশা মাঙবদা নত্তনা মহাক্না মীয়াম্বুসু চেন্নহল্লক্কনি খনবা ঙমদবা মীওই খরনা এস ও পিশিং ভাইওলেট তৌরবসু মীপূম তিংনা ফেস মাস্ক উপ্পরি। খূৎ-শা তোয়না হামদোক্নরি। অদুগা সোসল দিষ্টেন্সিংসু ঙাক্না চৎনরি। য়ূমদগী মপান থোক্নদবা কয়াসু য়াওরি। অদুবু হায়রিবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিনা চেৎনা য়োমশিল্লগসু কোভিদ-১৯গী মহীক লিৎশিল্লক্তুনা চঙলকপদগী নুংতিগী পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং অয়াম্বা চাংদা থেংনরি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদগী শিহনবা থৌদোকসু লেপহনবা ঙমদ্রি। মসি ওইরগদি লৌখৎলল্লিবা চেকশিন-থৌরাংশিং অসিগা ইরোইননা ভেন্টিলেটর (ওক্সিজেন) শিংগী মথৌ তারল্লিবা অসিদসু মসিগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনসি হৌদোক্নরল্লিবশিং অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনবা চুমগনি খল্লি। অফবা থবক্তি থিন্থহনবা চুম্লোই। মতম চানা তৌগদবা থবক পাঙথোকহৌবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা লৈতে। অদুগা মীওইবগী থৱায়দগী হেন্না মমল য়াম্বা অমমুক লৈতবনি হায়বসিসু কাউথোক্তনা হোৎনহন্নীংই। খন্নরিঙৈদা তেঙ্গোল তুম্বগী ফীভমদুদি তাহন্নীংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?
২) "দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?
৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা "মতমগী মণিপুর" হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে?
৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু "সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং" (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?
৫) "লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস" হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দাইরেক্টলি ভিক্টিম ওইবশিংদা লৈঙাক্কী মতেং!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৫৪**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ইখূৎ অসিনা কলম হেক পায়খৎপগা করিদা তাই, লাদা তাই হায়বদু থোক্লে। ইগেদি খনবনি অতোপ-অতোপ্পা টোপিক কয়াদা নুংঙাই-নুংঙাইরবা পূক্লিং লৌশিং ওইগদবা, পাবদসু কান্নগদবা ৱারী কয়া। অদুবু কোক অসিদগী করিগুম্বা হীরম অমত্তগী ৱাখল পাইথোরকউ য়াখদ্রে। মাগী কোরোনা হায়বী শক্লোন পুবী মহীক্তুদা নৈশিল্লগা অদুম লৈখ্রে। ঐখোয়না নুংতি নুমিৎ খুদিংগী থেংনরিবা তারিবা পাউ অসিবু মসিগী মরম নত্তনা করিবু লৈবগে। নারেগা, শিরেগা, সেল্ফ আইসোলেসন, ক্বারন্টিন সেন্টর, ভেক্সিন কাপ্পা, ওক্সিজেনগী প্রোব্লেম অসি ঙাক্তনি তানরিবা। হন্দক নোংমা নীনি অসিদা কোরোনা পোজিটিভ ওইবগী মশীং অসি ৬০০কী মথক্তা অদুম ওইদুনা লৈরি। লৈখিদবা মীগী মশীং দবল ফিগরনি। ১০ নৎত্রগা ১০গী মথক ওইদুনতা লৈরি। মমাঙগী হাপ্তা অসিগী মনুংদা মমীং চৎলবা, মীয়াম্না শকখঙনরবা মীওই কয়াসু লৈখিদ্রে। মখোয় লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউ ফোটোগা লোয়ননা পাউচেশিংদা লেপ্তুনা হাপ্লল্লি। মখোয়গা নক্লনা তিন্নরম্বা, লোয়নরম্বশিংনসু কন্দোলেন্স মথং মথং ফোঙদোক্লরল্লি। লুরিবা অমনা মখোয়গী লান্ন-থৌরমনচিংবা লৈখিদ্রবগী পাঙথোকফম থোকপা থৌরম পরেংশিং তেনশিনবা তাবনি। হৌজিক ওইরিবা কোরোনাভাইরসকী ঈথক-ঈপোম অসিনা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লরোইদৌরি।

য়াম্না নুংঙাইতবা ৱাফম অমনা হন্দক থাগী অহানবা চয়োলসিগী মনুংদা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবা মামতোনগী অহানবা কুমওন ফিরোই অমখক শরুক য়ারুবা ঙমখিদবা অদুনি। লৈখিদ্রবী অপোকপী ইমাগী ইতোন তোনবা মনাওনুপা মামতোন লৈখিদবগী অহানবা কুমওন ফিরোইগী চেবাউ মতম চানা ফংখি। নুংশিখ্রবা মামতোননি। অপোকপী ইমানা লৈখিদবা মতমদা দশা হেন্না তাবদগী হৌরগা অষ্টি, শোরাৎনচিংবগী শিল-লাংবা পূম্নমক অমত্তা চিংখদনা থৌবু ওইনা হীরম খুদিংমক্তা থৱায় য়াওনা হোৎনবিখিবনি। অদুবু ওল্লকপা চহীদা মামতোন অদু মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদে। মাগীসু পাঙথোকফম থোকপা থৌরম খুদিংমক অমত্তা চিংখদনা পাঙথোকখি। অদুবু চহী ওল্লকপদা লৈখিদ্রবা মামতোনগী ফিরোই তারকপদুদি লৈঙাক্কী অকনবা য়াথং তাওথরক্লে। লুহোংবা, শোরাৎ, ফিরোইনচিংবা থৌরম পূম্নমক মী ২০দগী হেন্না পুনবা য়ারোই। করিগুম্বদা হায়রিবা লৈঙাক্কী য়াথং অসি ইন্দবা য়ূম্বু ফাগনি। ফাইন থিহনগনি অসিনি। হায়রিবা অকনবা য়াথং অসিনা মরম ওইরগা থৌরম অদু শরুক য়ারুগদবা ঐখোয়বুসু হায়বা ইন্দবা তারনি খন্দুনা অদুম্মক চৎলুদ্রে। হেন্না নুংঙাইত্রিবনা নুংশিখ্রবা মাম্মা অদুগী ফিরোইদা লৈ মনা অমফাওবা কৎপা ফংহৌদবা অদুনি। অদুবু থৌরম অদুদা শরুক য়ারুদ্রবসু লাপ্পা থম্মোয়দগী লৈ খুজোক খুজেক্তি অদুমক কৎচখ্রবনি। মদুমক লাইরমলেন্দগী থৱায় মিরেলনা উবীদুনা নচানা কৎচখিবদু উবীদুনা পেনবীবা ওইবিয়ু হায়জরি।

হৌজিক্কী শাথীখ্রবা কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভ অসিনা মীওই কয়া লেপ্তুনা হাৎলকপসিদা লৈখিদবগী থৌরম পাঙথোকপদা থেংনরিবা অৱাবসি মশীং য়ামখ্রে। লুহোংবা, নাহুৎ-নারেং, শঙ্গাবনচিংবা থৌরম পূম্নমক য়ৈথোকপা য়াই। লৈখিদ্রবগী অষ্টি, শোরাৎ, ফিরোইনচিংবা লাইগী থৌরমশিংদি য়ৈথোকপদা ফরক তাদবা নত্তে। শাগৈগী য়ূম মাঙবগুম্বদা য়ৈথোক য়ৈশিন য়ারগসু শোরাৎতি কনানসু য়ৈথোক্লদে। হায়রিবা তৌদবা য়াদ্রবা শোরাৎকুম্বগী লৈগদবা পোৎলমশিং মদুদা চঙবা মচাক মথুম কয়া, অরাংফম, পালা-পুঙয়ৈবা, মোইবুং খোংবা, লাইশোন-তিনশোন তৌবীগদবা বামোন, শোন্নবুং অমা খন্নবা হোৎনবদা থেংনবা অৱাবা, মদুগীদমক শেম শাগদৌরিবা অচা অথক অমত্তা চিংথবা য়াবা নত্তে। পিক্লবসু চাওরবসু শোরাৎ অমগী তৌফম থোকপশিং অমত্তা চিংথবা য়াদে হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙবীরিবা অদুনি।

কোরোনা লাইচৎকী লান অসিদা অফ-নুংঙাইগী পাউদি শুক্তাবু তাখিদ্রে। অৱাবগী অৱাবা মক্তনি। কোলেরা লায়নানা পাক শন্না লান্দারকপা মতমদা থেংনখিবা চিনবুং ৱারী নীংশিংলকই। লায়েংনবা হীদাক পুথোকত্রিঙৈ কোলেরা লায়নানা লৈবাক কয়া মথং মথং শন্দোরক্লে। কনাগুম্বনা খুরুমজে ঐখোয়গী লমদম অসিদদি কোলেরা চঙবীরক্তবা। অদুবু কনানসু থিংবা ঙমদ্রে। লৈবাক কয়া মথং মথং লানশিল্লক্তুনা খঙহৌদনা য়ৌশিল্লক্লে। থিংলুবা ঙমদে কোলেরানা নাদবা অমত্তা য়াওরক্ত্রে। নীংজৈ ঐখোয়গী খুন, লৈকায় অসিদদি য়ৌবীরক্তবা অদুবু মদুসু থিংবা ঙমদ্রে। তোরা তুনা শিনরে। ঐখোয়গী লৈকায়দদি য়ৌবীরক্তবা হায়রম্বদু ঐখোয়গী ইঙ্খোলনুংদদি, ঐখোয়গী ইমুংতদি, ঐদদি হায়বা ফীভম অদুদা লাক্লে। মদুমক ঐখোয়গী মরী মতাদসু থোক্লরে। ঐগী ইচে ওংখিবা ইমুংদনি, ইবাইগী মনাওনুপা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মচেৎ অমত্তা চাদবা অমা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভতা ইকুই কুইদনা লৈখিদ্রে। মী য়াম্না লৈবা ইমুংসু নত্তে, মখোয় ৫/৬তনি ইমুংগী মী হায়ববু। লৈখিদ্রবা ইবাই থোকপা মহাক্কী থৌগল তৌজখিবা ইচে থোকপী অদুসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী মথক্তা অঙাং অনীমক থাদনা মখোয় লোয়নমক লায়না অসিনা নারে। য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদ্রে। ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা ইমুং অদু কন্টেনমেন্ট জোন ওইরে। মদুদা লৈখিদ্রবা ইবাইগী অষ্টিদগী শোরাৎফাওবা করম্না পাঙথোক্কনি। লুবদগী লুরবা পুবা থাংবা ঙম্লরোইদবা থৌদোকনি। চহী ২০ ফাদ্রিবা মচানুপাদুখক নত্তনা ইমুংদুদা নুপী অমত্তা লৈতে। কোভিদনা মরম ওইদুনা লৈখিদবগা পোজিটিভ ওইরবা মী ঙাক্তা লৈবা ইমুংদুগা কনানা চঙবীরক্কনি। পোৎলোইবা ফাওবা লৈঙাক্না লৈখিদ্রবা ময়াম পোৎলোইবদা অদুম য়াওখ্রবনি। ফনমক হায়বা শাবনি লৈখিদ্রবা মহাক্কী মথৌ মঙম পাঙথোক্তবা য়াবদি নত্তে। পাম্বৈ অমা থিরগা নম্ফুদা থৌরম পাঙথোকপা তাবনি। পাঙসু পাঙথোকখি। লৈকায়গী বামোন ইমুংদা পাউ পীনরগা অচংবা শেনফম খরা শিন্নরগা য়ূমগী মীওই অমত্তা য়াওদনা তৌফম থোকপা লাইশোন তিনশোন তৌরগা, ইমুং মনুংনদি লাপ্পা খুরুমজরগা অষ্টি ফাওবদি পাঙথোকখ্রে। শোরাৎসু মঙাই কনানা থৌবু ওইরগা পাঙথোক্কনি। বামোন মান্দবতা ইমুং মনুংগী মী ২/৩ খক য়াওরগা শোরাৎ পাঙথোক্কদ্রা মদুসু তম্বা ঙমদে। মরমদি ক্বরন্টিন নৎত্রগা সেল্ফ আইসোলেসন তৌবা নুমিৎ ১৪নি ফাদ্রি। ডাক্তরনা প্রেস্ক্রাইব তৌরকপা হীদাক চারগা য়ূমদগী মপান শুকথোক থোক্তনা লায়েংলি। ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি। মসিদগী হেন্না ৱাবসিবু করম্বা মফমদা লৈরমগনি। হে শক্লোন পুবী তমথীবদগী তমথীরবা শক্তম লৌবী কোরোনা নহাকমুক শাথীবা মহীক অসিবু মফম কৈদা লৈরমদগে?

শাথীবদগী শাথীখ্রবা কোরোনা নহাক্লা য়ৌদবা মফম অমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। মীয়াম পূম্নমক ৱাবনা খম থেংবা হায়বদু য়ৌরে। মতাং অসিদা সোসল ৱার্করশিং, এম এল এ, মিনিষ্টর ওইবিরিবশিংনা অৱা-অনা তারবশিংগী মতেং পাঙবা ওইনা নুংতিগী চঙদবা য়াদ্রবা অচা অথক য়েন্থোকপগী থৌরম চখনরি। মসিমক্তি তশেংনা থাগনীংঙাইনি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা পুকচেল চাওরবা চাওরবীশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈজে। তৌবতবু কোরোনানসু নাদ্রিবা লায়নাসিদগী য়ৈরকপা কল্লবা শাফুনা পাল্লবা চানীংঙাই থক্লিংঙাই লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরবা ৱাজরবা মীয়ামগীদমক্তদি করি তৌবা তারি। হীরম অসোমদসু খন্নবীবা চুমই। মরমদি নোংমগী অফংবা খরা শূজ-নোমজরগা হিংলিবা ইমুংশিং খম থেংনা ৱানরে। কর্ফিয়ু, কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবনা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদ্রে। নোংমগী পুকচাক থিবদা ফংদ্রে। মণিপুরদা লৈবা য়াইতোং খমদোংবা খরখক নত্তনা চাদা ৯০দি অৱাবা ইমুং ঙাক্তনি। মখোয়গীদমক লৈঙাক্লা মতেং পাংবীনবা হোৎনবগী মতম থেংমল্লে। কোভিদ-১৯না মখোয়বুসু অৱাফমদা তাহল্লে। নোংমগী চরা অনী শুনা চাদবা ইমুং অদুক্কী মতিক মশিঙ য়াম্না লৈরে। মরম অদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী লৈঙাক্লা তৌনরিবা অসিগুম্না চান-থক্লবা য়েনবীবগী মথক্তা মখোয় মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টতা নৎত্রগা শেল ওইনা য়ামদ্রবদা লুপা ৫০০/৬০০তং ওইরবসু পীরগদি লৈঙাক অসিবু মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎনগনি খল্লি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অসিগুম্বা মরম অসিদগী য়েংলগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা খুন্নাইশিংদা মীওই ফুরুপ/কাঙবু অমনা অতোপ্পা মীওই ফুরুপ/কাঙবু অমদা নুংঙাইরোইদবা, চৎহৈদবা লীচৎ চৎলুরবদি তুংদা অদুনা করি অকায়বা থোরকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা মালেমগী ওইনা ওইথোকপা য়াবা থৌওং খরা থমজগে। অকক্লবা অপান্নবা খুদম চাংদমদি পঞ্জররোই। পাবীরিবশিংনা অদুম খঙবীরো।

১) য়াম্না তোয়না থোকপদা, কনাগুম্বা লাইনীং লাইশোন চৎপা মীওই খরনা অতোপ্পা অমনা থাজনা চৎচখিবা লাইনীং, লীচৎতা করেম কথাইনবা মানবা মওংদা শীংনবা। মসিনা খৎননবা/শাওননবগী কান্নদবা ৱাহৌ ওইহল্লকপসিনি।

২) অনীশুবসিদনা, থবক ওইনা কনাগুম্বা ফুরুপ অমনা লাইনি হায়দনা লৌজরিবদুগী মমি (ফোটো)/শকপান (শক্তম ষ্টেচ্য) দা তৌহৈদবা পোৎশক তৈশিনবা/য়ানশিনবা/খোঙনা নেৎপা/কাউবগী থৌওংদু ইন্টরনেটতা অপলোদ তৌবদগী ভাইরেল ওইরকপা - মসিদদি য়াম্না থুনা লমহাংদা/চীংদা লাম্মৈ চাকপগুম ওইরকপা য়াবগী থাক য়ৌরক্লিংঙাই ওইরক্কদৌরিবনি।

৩) মরী লৈনবা লাইগী মমি য়াওবা অমদি হোলি বুকশিং মীয়াম মমাঙদা খোঙ্গোইনবগী মওংদা মৈ থাবা/মচেৎ মচেৎ শেগাইরগা খোঙনা নেৎশিনবা থৌওংশিংসি তুং কোইনা শাওননবগী অমদি কাউঙমদবা থৌদোক ওইনা নীংশিংদুনা লৈনবগী মরম ওইহল্লি।

৪) লাইনীং লাইশোন মান্নদবা ফুরুপশিংনা খুন্দাবা/লৈবা লৈবাক খুদম ওইনা মণিপুরদদি অরিবা লাইনীং লীচৎকা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংনা থাজনা নীংনরিবা লাইশিং অমদি লাইফমলেন অয়াম্বা চীংদা লৈবনা মফমদুদা মতম নাইনা লাই খুরুম্বা চৎচবা অমদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম মীশিংনা য়ামদ্রিঙৈদা উমংনা শোংলিঙৈ, লমলক্কী শাশিংনা মশীং য়ামলিঙৈদা শেমগৎ শাগৎপা ঙল্লমদবা কয়াসি হৌজিক্তি মীশিং য়ামখৎলক্তুনা তোয়না লাই খুরুম্বা চৎপা পাম্নরক্লবা মতমসু ওইরকপনা খুদোংচাগদবা মীথুংফম, মীয়াম্না লৈবদা অমাং অশোই, মপান ইপান থোকফম, অকোয়বগী শক্তম ঙাক শেন্দুনা থম্নবা শম্বল খাজিনবনচিংবগী থৌরাং হান্না শেমগৎলবা মতুংদা/মদুগা ইরোয়ননা লমদমদুদা লৈরিবা খোইয়ুম লাইরেম্বা খোইমোম লাইরেম্বীশিংগী সনা শঙ্গাই শাদুনা থম্বা মথৌ তাই। হায়বদি, লমহাংদা/চীংদোন্দা/চীংয়াদা/চীংখোঙদা লাইগী তৌফম থোকপা মথৌ মঙম পাঙথোক্নবা থৌগল্লোনশিংগী অমদি লাইগী শঙলেন্নচিংবা মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না ঙাকশেন্দুনা থম্বগী মথৌ তারল্লি। করিগীনো হায়বদা মফমদুদা থৌগল্লোয় খরা লৈরগা লাইগী শঙলেন য়াওনা অকোয়বগী পোৎশকশিং ঙাক শেল্লগা থম্বনা তুংদা হৌরল্লিবা চারোল শুরোলশিংনা মফমদুদা চৎলগা খুরুমজদুনা ইরাৎ থৌনিজবা ঙম্নবনি। মসিদা কনাগুম্বনা মখল অমত্তগী য়েৎফম থিংফম থোক্তে।

মসিগী মতাংদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি হৌজিক্তদি তমদদা নত্তনা চীংদসু ফুরুপ কয়া অমা অহাঙবা য়েংলগা পংতাদা তাশিন্নরকপনা, হান্না চীংমীগা তম্মীগা লৈমিন্নরম্বা মরীদা কোন্না চঙলকপশিংসিনা হান্না লৈনরম্বা মরীদু খঙদবনা অকায়বা অয়েৎপা পীরকপনি হায়বসি ইরায় লায়না খঙবা ঙমই। খুদম, খৃ: ৪১১-৪২৮ ফাওবদা কংলৈ পিবারেন ওইনা পানখিবা মৈতিংঙু নাউখম্বনা লৈবাক্কী অকন অথৌশিং পুদুনা কৌব্রুদা শা তানবা চৎলম্মী। কৌব্রু চীংতোল লোম্না কাদুনা কৌব্রুগী সনা ফম্বালবু খুরুমজরম্মী। নোংদম্বা মরু লৌরাংচাম্বনা মৈতিংঙুগী মফমদা কৌব্রুগী খুভম অসিগী মৈহৌরোলবু ৱারী লীদুনা তাহন-খঙহল্লম্মী। মৈতিংঙুনা মৈহৌরোলগী ৱারীবু খঙলবদগী অচৎ অওকশিংনা নীংশিংনবা অমদি ঈরাৎ পুরুম থৌনিজনবা চীংখোংদা খুভম শেমদুনা থনম্লগা সনা কোনুংদা হল্লকখি। হায়রিবা চীংখোংদা শেমদুনা থনম্বা খুভমসি হৌজিক্তনা গৌড়গী কাঙবুনা ঙাক শেন্দুনা থল্লি। মসি অশেংবদি ইনাৎকী কাঙবুনা তৌগদবসি তৌহৌদবদগী কোন্না হিন্দুগী লাইনীং চঙলক্লবা মতুংদা তৌশিনখিবনি।

৫) কনাগুম্বা ফুরুপ অমগী অইবনা মখোয়গী ওইবা মপোৎ মরলনি হায়বা য়ানবা অশেম্বা পুৱারী শেমজিন শাজিল্লগা মীয়ামদা উৎ চাইনবা হোৎনবদা খঙনরল্লবা মতমদা হেন্না নুংশিনদনবা মরম ওইরকপা য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বা শেমজিন শাজিল্লগা ইরিবদুনা ইকায় খাংদগী শিখাং খাংদুনা লৈশিনবা তারবদি অচৌবা ৱাথোক লান্থোক হায়বদু ওইগদৌরিবনি। লাল্লুবা ফুরুপ/লন্নাই মশাদুনা নৎত্রগা দায়ত্ব লৌবা মীশক অমনা মীয়াম্না লাল্লে, মতুংদা অমুক হন্না ফোঙজররোই/তৌজররোই হায়বদগী য়ানবা পুরকখিবা, হন্দক্তসু কিট কাট হায়দনা অঙাংশিংগী চানবা য়োনবা কম্পনি অমনা শেংদোকচখিবা লৈখ্রে। মসি য়াম্না ফত্তবা হায়বদি মতম চানা থেংনহৌদবা মতমদদি মসিনা য়াম্না লান্না উহনখিদুনা অতোপ্পনা খুদোংচাবা লৌখিবা য়ারিপোৎনি। অদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং থেংনরবদি 'শারিঙৈদা য়ৈহৌবা' হায়বদুগুম্না খুদক্তা অকনবা খোঙথাং/এক্সন লৌখৎহৌবা মথৌ য়াম্না তাই। মীকূপ নাহুম শীংনা লৈবা অমদি মথৌ তাই।

৬) হিন্দু লাইনীংগী মশক থোকপা মীওই অমনা লৈবাক অমগী কোন্না কৌরকপা মমিংগা হিন্দু অশেংবগী হান্নদগী কৌরকপা মমিংগা মান্নে হায়না লৌরগা মখোয়গী মৈহৌরোলগী অশেংবা লাইরিক্তা য়াওবা মালহল্লগা, লমদমসিদগী হৌখিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশীন হৈবা, অদুগা ইরমদমগী পুৱারীদি খঙদবা মীশক অমবু মীরম হিন্দুগী চাদা নাওদানি হেক্তা হায়জিনবা, তৌহৈদবা কয়া তৌশিনবসিগী মতাংদা অসুম্নবু হায়বিরম্মী :

"ঈপুথৌ খোংনাংথাবনা অথোৎপা ৱাখল খল্লম্বা কয়াবু, ওন্ন-তৈনবা থক-খা ওন্নবা অরানবা কয়া নারক মোংশোংগী মশক ওইরবা কয়াবু শেংদোকপীবা হৌখ্রবনি। মপারী ৭কী খুথাংদা শেংদোকপীবা হৌখ্রবনি। লৌদবা য়ারোইদবগী মহৈ তাকপীখ্রবনি। লংলা লংজিন চিংথোকপীরবনি। থৱায় হামচৎনরবা মিরেল হামপোইনরবশিংগী থম্মোয় শেংদোকপীরল্লবনি। লাইফম তীনফম শেংদোরল্লবনি। তুংলমচৎতা মাঙখিবা তারে খন্দুনা চেৎনা খুমদুনা লোৎতুনা থম্বীরম্বা মীতৈ পাথাং কোক পুথাং কোক্কী মমল য়াম্লবা চৎনলোন, লাইনীং লীচৎ, ৱাংউলোন, পুন্সিলোন পূম্নমক ইপুথৌনা লুপাক মখূমশিংদু হাংদোকপীরবনি।" (চিংউলোন লাংতাই ৱায়েল, লা: ৭)। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।